# হুইয়েন লানপাউগী ‘বেষ্ট নিংঙোল ওফ দ য়র-২০১৯’ রাজকুমারী ওংবী গীতমালানা ফংলে



হুইয়েন লানপাউগী নিংঙোল সেল্ফি কন্টেষ্টতা পাউচে অসিবু নুংশিবিবদগী মীয়াম্না শরুক য়াবিদুনা ফোটো থাবীরকপগীদমক হুইয়েন লানপাউ পাউচে পাবিরিবশিংবু থাগৎচরি। শেংলবা নুংশিবতনা থল্লবা মচল-মচে, মবুং-মৌপ্পাশিংগা নুংশিনা উনবা মীৎকুপ অদুবু মতম কুইনা নীংশিংহৌনবগী পান্দমদা পাঙথোকচখিবা কন্টেষ্ট অসিদা রাজকুমারী ওংবী গীতমালা, ময়াং ইম্ফালনা ‘বেষ্ট নিংঙোল ওফ দ য়র-২০১৯’ গী মিংথোন ফংলে। মতুং তারকপদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদসু শরুক য়াবিয়ু।




সগোলশেম আর্জুন সিংহ, উচীৱা লৈরক অচৌবা খোংনাংখোঙ


তেকচম চাউবী দেবী, তোপ সিফাই ময়ায় লৈকায়


নোংমাইথেম প্রিয়ানন্দো, হৈরোক পার্ট-২


নোংমাইথেম মেমতোম্বী, খুরাই কোন্সম লৈকায়


অয়েকপম দেবানন্দ, তেরা বাজার


রাজকুমারী ওংবী গীতমালা, ময়াং ইম্ফাল
‘হুইয়েন লানপাউ
বেষ্ট নিংঙোল
ওফ দ য়র
২০১৯’


নোংমাইথেম হেমন্তজিৎ, খাইদেম অৱাং


থিংঙুজম গোপেশ্বোর, নরানসৈনা


নিংথৌজম বিদ্যালক্ষ্মি, খুরাই সাজোর লৈকায়


অথোকপম বিনোই, তেরাখোং কুম্বী


থোংঙাম বুংনাউ, হাওবম মরক কাংজম লৈকায়


বিমোল চোংথাম, লংথবাল কুঞ্জ


খোইস্নাম তোকিয়ো, পিসুমথোং ওইনাম লৈকায়

## অনোইশাং উর্মিকা নত্যসলাগী ‘‘গ্লিম্পস ওফ মহারাস’’

*- নানি*



মণিপুরী কলচরগী মরমদা মুন্না খঙবা অমদি নৈনবা হায়বসি তরায়বা থবক অমা নত্তে। ঙসি ফাওবগী মনুংদা ইপা-ইপুনা থম্বীরম্মা নাৎকী ওইবা শত্তম অমদি শক্লোন কয়া অসিবু মমুৎ তানা লোইনা খঙবা ঙম্বা মীওই অসিদি খূৎ থেক্তুনা পাবদা মশীং য়াম্না লিক্লা লৈরি। মাগী মাগী হীরম খরদা খঙবা নত্তনা খুদিংমকপু হেক্তা লোইনমক খঙবা হায়বদুমদি অরুবা অমনি। মসিগীসু মথক্তা, ঐখোয়গী লৈজরিবা কলচরগী মশক অমমম অসিদগী করি করি লৈরিবগে হায়না থিদুনা মনখৎলগা করি অনৌবা ৱাহন্থোক পীবা ঙম্বা পোখোক অমা পুথোকপা য়াগদগে হায়বসিদি ক্রিএটিভ ওইবা মীৎয়েং অমগী মখা পোল্লি। মমিং লৈরবা ওজা কয়ানা চীংজাওগুম্না পৈখত্তুনা লৈরিবা লমদমসিগী কলচরদগী খাই-খাইদুনা অনৌবা মশক অমগা লোয়নননা পুথোক্লরক্লিবা পর্ফোর্মেন্স কয়ানা মালেম অসিগী মীয়ামদা অঙকপা অমা ওইহল্লিবনি। কলচর মীমাং থোক্লা উথোকপা হৈবা কয়ানদি মণিপুরী কলচরগী লনগৈ অসি সনাগী চীং ওইনা লৌনরিবনি।

হৌখিবা ওক্তোবর ১৩, ২০১৯ দা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমিগী ওদিওটোরিয়মদা অনোইশাং উর্মিলা নাত্যসলা, নাগামপাল কংজাবি লম্পাক মচিনগী নৌনা এসেম্বল তৌদুনা পুথোকপা **গ্লিম্পস ওফ মহারাস** হায়না মিংথোনবা বেল্লেট অমগী প্রেমিয়র শো অমা উৎখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা শীনখিবা থৌরম অদুনা রাজ্য সভাগী এম পি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দনা চীফ গেষ্ট, ফোর্মর মিনিষ্টর ডা. এম নরনা গেষ্ট ওফ ওনর, ঙাঙোম মোতিমলানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। পূন্না আর্টিষ্ট ৪০ হেনবনা শরুক য়াখিবা বেল্লেট অসিনা লমদম অসিগী নহা ওইরিবী উর্মিকাগী ৱাখলগী ফিরেপ অমা লেপ্পা য়াব্রা হায়বদু নৈনদুনা য়েংবা য়াই। প্রদক্সন অসিদা য়াম্না নুংঙাইরিবসি চাইল্ড অর্টিষ্টশিং অসিগী পর্ফোর্মেন্স অদুনি। চহী ৪ দগীনা ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অপিকপা নুপীমচা অমদি নুপামচা ১১না তোঙান-তোঙানবা শক্তমগী শক্লোন লৌদুনা পর্ফোর্মেন্স পীরকপা অদুগী ফজবা অমা ইতোপ-তোপ্পা মহাক্কী প্রদক্সন অসিনা উবা ফংই। খূৎ চঙনা, মতম য়াম্না চঙনা পুথোকখিবা প্রদক্সন অসি য়েংবদা মণিপুর জগোইকী নীংথিবা মশক অমা উবা ফংই। য়ামখ্রবা আর্টিষ্ট অসিবু হৌজিক্কী মতমসিদা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা, নীংথিনা রিহার্সেল তৌদুনা অপুনবা প্রদক্সেন অমা পুথোকপা হায়বসি তরায়বা থবক অমা নত্তে। মসিদি শিংনবা অমা য়াওদ্রগদি খক ওইথোকপা য়াবদি নত্তে। উর্মিকা মশামক জগোয়গী লম্ অসোমদা মায় পাক্লা চঙশিল্লকপা অমদি থৱায় য়াওজরকপগী চাউরবা মহয় অমনি হায়না লৌবা য়াই।



অমরোমদা, উর্মিকাগী মমাগী ফেমিলিগী লাইন্দা য়েংলুবদসু মণিপুরী কলচরবু য়োখত্তুনা মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনরকখিবা কয়াগী অহল লমনশিংতনা য়োমদুনা লৈবা, লমদম অসিদদি থোইদোক্লা শিংথনরিবা ইমুং অমনি। মণিপুরী মনোহরসাই, গৌরা লীলা, গোষ্ঠা লীলা অমদি অতৈ আর্ট ফোম কয়াগী হৌরকফম অমনি হায়না ফাওবা শিংথানরিবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবনি। অদুনা মদুগী মমি অদুসু মঙোন্দা চোংশিল্লকপা হায়বসি থোইদোক্লা অঙকপা অমদি নত্তে। মদুমক্লা মহাক্লা প্রদক্সন অসি পুথোরকপদা ইনৌ নৌবা মশক অমা হন্দক মণিপুরী মীয়াম্না উবা ফংলিবা অসিনি হায়না লৌবা তাই।

মণিপুরী রাসকী মখল মঙা লৈরিবা (বসন্ত রাস, কুঞ্জ রাস, মহা রাস, নিত্যা রাস অমদি দিভা রাস) হায়রিবা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মহারাস হায়বা অসিদা উর্মিকানা চায়েং অমা তৌদুনা মণিপুরী জগোয়গী মনুংদা লৈরিবা মশকশিং অমদি মদুগী কলচরেল এলিমেন্ট কয়াশিং অদুগা লোয়নননা ঐখোয়গী কলচরগী ওইবা মশকশিং অদু থিদোরকপগী অহানবা প্রদক্সন অমনি হায়না লৌজগে। অহানবমক্তদা অসিগুম্বা অচৌবা এটেম্প অমদা খূৎ থারক্লিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি, মসিদগী হেন্না চঙশিন্দুনা মখল কয়াগী খূপুথোক অমদি খূলাম্থোক মীয়ামদা খুদোল ওইনা তম্লক্তুনা মণিপুরী জগোয়গী ফজবা মশকশিং অসি হেন্না মতিক ময়াই হাপ্পকখিগনি হায়না থমজগে। হন্দক্কী মহাক্কী মহারাস অসি মপূম ওইনা য়েংবদা থোইদোক্লা হান্না অহল লমশিংনা য়াম্না ৱানা শেমগৎচরম্বা লমদম অসিগী নাৎ শক্তমগী চপ চাবা ফীভম অদুদগী থোইদোক্লা অহোংবা উবা ফংদে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, জগোয় রাসতা লিরিবা ৱারী পরিং অসিনা অতোপ্পা ঐখোয়না থাজনরিবা হিন্দুগী লাইনীংগা মরী লৈনবা ৱারী পরিং অমা ওইরবসু মহারাস হায়বসিবু শাগৎলকপদা চঙলিবা লমদমসিগী নাৎ শক্তমগী ওইবা মশক অদু অমমমতা ওইনা থুগায়দুনা মচেৎ-মচেৎ ৱাখল-মীৎয়েং চুম্না পুথোরকপনি। মহাক্কী প্রদক্সন অসিনা উৎলিবা মহারাস অসিদা ঐখোয়না ইনৌ নৌনা উরিবা মশক অসি ১৫ শুবা সেঞ্চুরিগী মতমদা ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা শেমগৎলম্বা মশক অদুগী ফজবা তরু তরুবা মশক অদুবু হেন্না মশক থোকহনবনি, হান্না লৈরল্লিবা অহল লমনশিংনা থম্বিরম্বা অদুগী মশক অদুদা শিংনবা নত্তে। ৱারী পরিংদা অহোংবা অমদি করিসু অকায়বা উবা ফংদে। তৌবতবু ফিজেৎ, শাজৎ, মীৎয়েং অমদি হকচাংগী ওইবা মুভমেন্ট কয়াদা লমদম অসিগী চৎনদুনা লৈরবা অমদি ফজরবা ঈং তপচবা খুন্নাই অসি শাগৎপদা য়াওজরিবা মীহুল কয়াশিং অদু মহাক্কী মহারাস অসিনা হুলহন্নবা হোৎনবা অকনবা প্রেক্টিস অমগী এক্সপ্রিমেন্ট অমনি হায়না লৌবা য়াই।



বৃন্দাবনগী নিকুঞ্জ বোন্দা শ্রীমতি রাধিকা অমদি গোপিশিংনা মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু ঙাইজবা, মহাক্লা লাক্লবদা নুংশিবা মনম চেনবা লৈরাং কয়াগী ফমুং শেমদুনা পোত্থানবা হোৎনজবগী লৈ থিরকপদগী হৌরগা, ইবুংঙোগা লোয়নননা গোপিশিংনা হরাও মথোই কানা শান্নজবা, মমৈথংদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী অশেংবা শক্তম অদু গোপিশিংনা উজরক্তুনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী মফমদা মৈরা কত্তুনা খুরুমজবদা লোইশিনবনি। মসিগী মনুংদা য়াওরিবা মুভমেন্ট খুদিংমকশিং অসি হান্নদগী হৌনা লৈজরক্লবা মুভমেন্টশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইজরগসু আর্টিষ্ট ময়ামসিনা তোঙান তোঙানবা শক্তম লাংদুনা বেল্লেট অসিগী মথ্বাই হাপ্পী লোয়নননা থোক্লিবা আর্টিষ্টশিং অসিগী ফিজেৎ লৈতোংসু লমদমসিতগী ওইজবা মশক্তা শাগৎলি। খুদম ওইনা নিকুঞ্জ বোনদা শাৎলিবা লৈরাংশিং, উরি ৱারি অমদি বোনগী মনুংদা লৈরিবা উচেক-ৱায়া অমদি থবায় পানবা জীব পূম্নমকশিংনা লৈরাংশিংগা লোয়নননা হরাও মথোয় কানা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নজবা পূম্নমকশিং অদুগী ফজরোল মণিপুরী কলচরগী মশক হাপচিন্দুনা থিরকপনি।

রাস লীলা হায়বসিমক্তি দেদিকেসন, এক্সট্রাওর্দিনরি থোটস, ট্রেদিসন অমদি ইমাজিনেসন হায়বা অসিদা মতমদুগী কোনুংগা শম্নবা ওজা গুরুশিং অদুনা নিংথৌগী পেট্রোনেজগী মখাদা শেমগৎখিবনি। মসিদা জগোয় খক্তগী ৱা নত্তে ঐখোয়গী সংঙ্কির্ত্তনগী ওইনা লৈজরিবা ম্যুজিকেল রিদম অমদি দান্সিং মুভমেন্ট কয়া অসিগীসু চাউরবা শরুক অমা রাস অসিদা য়াওরি। ৱা ইহায় হায়দনা নুংদা ফাওরিবা পূক্লিংগী ইথিলশিং মরু ওইনা সেক্রিফাইস, দেভোসন হায়বা অসিদা শেমগৎপনি। মহারাস হায়বা অসিমক ইহান হানবা ওইনা লংথবালগী কোনুংদা ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র মশামক্লা পুং য়ৈখি অমদি মহারাণি হরিমতিনা রাসকী মকোকচিংবী অমদি মচানুপী বিমবাভতিনা রাধ্য শাদুনা মহারাস কৎখি হায়না রেকোর্দ লৈরি। হৌজিকসু মসি মেরাগী ৱাফুকপা নুমিত্তা - সনা কোনুংদা নৎত্রগা বিজয় গোবিন্দদা চহী খুদিংগী ওইনা শান্নে। অতৈ লৈকায়গী মন্দপশিংদসু থৱায় য়াওবশিংনা মহারাস কৎনৈ। মহারাস অসিদা য়াওরিবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি পূক্লিংদা ফাওরকপা ঐ ঐগী হায়বা নাপল অমদি কল্লকপা মীহৌবা পূম্নমকশিং অদু অরেম্বনি, কান্নদবনি হায়বগী রিএলাইজেসন অমসু গোপিশিংনা খুদম ওইরগা ময়েক শেংনা উৎলি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিনা নুংদা থম্লগা মপান্দা উৎলিবা লভ অমদি দেভোসনগী শেংলবা ৱাখল্লোন অদু ক্রিএটিভ ওইবা মওংদা নীংথিনা শেম শাবা মখলগী বেল্লেট অমনি।



অনোইশাং উর্মিকা নত্যসলাগী **মহারাস** অসিনা মণিপুরী জগোয়গী কলচরেল এস্থেটিকপু ক্রিএটিভলি পুথোক্তুনা লান্থোরকপা অসি তশেংনা থাগৎলি। মখা তারকপা খুদোল কয়া লাকখিনি হায়বগী থাজবা থল্লি।